*"মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে। চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।"- হিজম গুন (লমন)*

# শৈরেং

## ৱাহৈ খরসিদং হায়জগে

**—বি মঙাং**

খঙলসু মালেম পূম্বনা
য়েংলসু মীপূম তিংনা
ধ্রুবতরাগুম; শজিক থবাগুম
অতিয়াদা!
ঙাঙনরসু মকোক থোংবা
ফম্নাইবা, ফম্নাইবীশিংনা,
থাগৎলসু ৱাহৈ চাম্মা চাম্মা
ফজবা ৱাহৈ কয়া কয়া
লৈতেং হাপ্লগা,
ইচং থৌরবী থৌনা লৈরবী
ইমাগী মমোমলোয়শিং
মালেমসিদা!
পীকখ্রবা চীংলৈবাক অমদা
পীকখ্রবা কাঙলূপ অমা
লৈ তাক্লি, ইমা মণিপুর!
কয়াদা থৌনা লৈখ্রবা
ওলিম্পিক, কম্মনৱেল্থ গেমসতা
পুরক্লি লৈবাক্কী মীংচৎ
মথং মথং ফুরুপ অসিবু
শক্তাক্লি লেপ্পা লৈতনা
থৌনা ফরবী, লিংজেল থোইরবী
ইমাগী মমোমলোয়শিং
থোরকখিনি লেপ্তুনা
ৱাহৈ খরসিদা হায়জগে
পারি নবুং নৌপ্পাশিংদি
পূক্লিং লৌশিং থৌনা
মাঙখ্রমাল্লে লোইনা
উচি মখুলদা লোৎখ্রমাল্লে।

## মঙলান

**—এল চিত্র**

নোংমা ঐনা হিপ্লম্মী
পাক্লবা লম্ফাংগী ফমুংদা
নাপীগী মোল্লবা মোনপাকথক্তা
অঙৌবা থাবলগী কাংখলনুংদা
ঐহাক্না হিপ্লি নুংঙাইনা
অঙৌবা অতিয়ানা য়ূমথক কুপ্পা
নীংথিরবা য়ূমগী মনুংদা
ৱাখল পোৎলুম পুদুনা;।
লমহেনবা মালংনা শান্নরি
তপ্পা তপ্পা নাল্লদুনা ঐগী মায়দা
হাইদোক্তুনা ঐগী থাবল কাংখল
ও ঐহাক তপ্পা তপ্পা তূমথরক্লে
তূম্লুরব্রা ঐহাক য়াম্না কন্না
খঙদে ঐদি নীংথিজরবা মঙলাননা
উৎলি মহাক্কী ফজরবা শক্তম কয়া
ঐগী মীৎয়েংগী মাংদা পরেং পরেং
অঙৌবা ফিজোলনা লৈতেংবী
নীংথিজরবী শ্বগগী জগোয় শাবীনি
তপ্পা তপ্পা নীংথিবী খোঙথাংদা
চঙশিল্লক্লি ঐহাক্কী নাক্তা
নুংশিরবী ঈশৈ শক্ল-শক্লদুনা;
ও মালংনা শান্নরি হরাওনা
মহাক্কী অঙৌবা পারবা ফিজোলদু
পাইরদুনা হাইনা হাইনা
শ্বগগী জগোয় শারি
শকউ নুংশিরবা ঈশৈ
শাদুনা ফজরবা জগোয়
নীংথিবী শক্তম্না ঐবু শুমহৎলু, ঐবু শুমহৎলু;
ঐহাক তূমজগে মফমসিদা
মীৎকপ থোক্তনা
নহাক্কী নুংঙাই মঙলানদা তাওদুনা।

## পামজরুই ঐতনা

**—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লরবোন্দ**

লমজাও থোকখো তাল্লি
কাঞ্চদা কূনবা লিনবু,
মপান্দা চৎলু হায়রকই
চাকশঙদা কুনবা হৌদোংবু
লমজাওদা চারুচো লাওরি
ইঞ্চোলদা চাবা ষণবু।
কৈশুমশঙগী ফাদোক পাল্লুনু
চেকপল মরিনা কোয়শিল্লবা,
কাজহৌ তাইবঙ কৈথেল
খঙজহৌ পোৎকী মমল,
থেংনগনি কৈথেলদা মীয়াম
কপ্পুরনু মীনম্বা মরুপকী।
হেন্দোকত্রি ঐদি ইমুংদগী
কল্লকচৈ নঙবু উরগা
লমজাও খুদিং চাক্তারম্বা
কৈথেল খুদিং য়ৌরম্বা
নুংশিবা য়েংথীবা খঙলম্বা
শকথীবা ইতৌবু উৎচরি।
হায়বীনু সাহিত্য প্রেমিনি
পামজরুবনি পাবা ইবদং,
ঙমজদে বিশ্বপ্রেম ওইবসু
ঙমখিদে নঙগুম্না কখোকপসু,
ওইজনীংখি অমত্তংদি নঙগুম
ঈরৈবাক নুংশিবা রাষ্ট্রবাদি।

## ময়া কুল্লবা নোংশা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

খুন্মুনে তাদ্রবরা ইপারি পাঙ্গনবশা
ইমানা খূৎলাম তোয়না কৌরিবসে
তুম্পক তুম্পক করিগী লেপ্লিবনো
মাঙলোমদা খোঙকাপ অমা থাং
তুংলোমদা খোংকাপ অনী হন
তুরোই ঙাল্লোই চৎলিবদুবু
করি মতৌ কৌবগে তম্মুনে
নমা ঐঙোন্দা নপুকচেল শেংনা
চিংনদবা ঙমদেনে ইমাগী থম্মোয়না।
চীংদনা পোপীনা পুমঙাং ঙাং
তমদনা গঞ্জানা পুমশং শং
ফিজোল হোংখ্রবা কংলৈপাকসিদা
ঙাইহাক ঙাইহাক্কী নুংঙাইরিঙৈ,
দল্লিয়ু ৱাইগী ঈপাক্তা
মঙলান্দা ফুরা শারিবরা
লৈকংদা হী হোল্লিবরা,
নৎত্রগনা ময়াই কারবা শিদ হীদাক্তুগী
ঈরোলনুংদা লুপ্তুনা অদুম লৈখ্রবরা?
কোইরেং, থাঙ্গাল, পাওনা ব্রজবাসি
মুৎনাইদ্রবা কংলৈ অথৌবশিংদুগী
নত্তবরনে চাদা নাওদা নখোয়বু,
কুঞ্জরানি, মেরি কোম, সরিতা
মিরাবাই, শুসিলা, বিন্দ্যারানি
নচে, নচন মক্তনিকো নখোয়গী
মখোয়নদি পজেং ফিরাল থেৎলগা
নখোয়না উচি মখুলদা চঙখ্রবা
ওইখ্রবরা ময়া কুল্লবা নোংশা?
লাইরেল লাবা য়াওল্লে
হুইথৌ লাবা চিফেংলে
পেনা য়াকাইরোল শক্লক্লে
ইপারি নখোয়বু নুংশিবশা
খোল্লেন মিৎকপ থোক্লোনে
য়ূমদাংবনা কৈনাবা হৌরক্লে
নখোয়না নরীল তল্লিঙৈ
নথীবোং য়োল্লগা চারিঙৈ
মীতোপ্পা খুল্লিংখিবদি শোয়দ্রবনি।

## উদবা কুইরেদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নুংশি শৈদম অহানবা
ওইখিবী মহাক অদো
কুমজা কুমওল য়াল্লক্লে,
নুংশি চেংলৌ উখিদবা
লমদম কৈদবু লৈরিবা।
হরি মন্দির অকোইবদা
মুনা মুনা লোৎনা লোৎনা
লৈনা লৈনা য়েংলকখিবা,
হৈরাং অমুনবা লৈরাং নীংথিবা
খূৎতা পায়রদুনা লেপ্লম্বা
নুংশিরকইদা নীংশিংলুবদা।
ধুপ, থাওমৈগী মৈঙালক্তা
তরু-তরুবা মীৎসনা
থম্বালবু ঙমজবী মায়থোঙ,
তবা-তবারবা চিনবান
লৈনা কোইনা য়েংলকপা
থাজবু ঙমজবী মহাক্লা
ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না।
লৈরাং নঙবু করি লমদা
লৈরিবগে নীংশিংলকইদা ঙসিদি,
নুংশিরবী নহাক্কী চেংলৌ
শক্তমদো উখিদবা কুইরেদা।

## অশৈবগী শৈহৌ

**—মোইরাংথেম নিলকুমারি**

মায়কৈ খুদিং শৈদিন্নৈ।
শৈদিন মপু য়াওদবা য়াদে।
অথোয়বা লেঙবীরকপা মীথুংলেন
ঙকয়ান লেংয়ান ৱাৎফদে,
মৈরা চুখৎকনি থৌরমগী
নুমিত্তুগীনি অথোইবা মীথুংলেন
মতিক মগুণনি মহাক্কী
শৈথাবতনা ৱাৎলগদবা
মোমোন মীনোক্লি ঙাইহাক্তুগী
খল্লি মীয়াম লক্তগী :-
নুংশিবা শৈশক তল্লমউ
নুংঙাইবা ৱারী লীরমউ
হৈপাল-লৈপালগী
ফজবা মহৈ নুংশিবা লৈনম
য়েনবীরমউ নহাক্কী লেংফদ্রবা
সাহিত্যগী লৈকোনসিদা
গুলাপ অঙাংবা লৈনানা লৈতেংনি
তিঞ্জাংলক্তা লোৎলিবা কোচি পানবী চিনি চমপ্রা
অশংবা মনারক্তা লোৎলিবা।
লোৎলিবদু থিবা লাকপনি ঐহাকসু
তাজনিংই খোম্বাং শুরবা কোকিলগী খোঞ্জেল।
তাজনীংই তারমদাই নুমিৎকী
ঞ্চ-ঙান্নরবা মশেক
অসি মঙাইরে থম্মোয়গী পাউদম।

## নুংশি থৌরি

**—বুঙোচা খুমনচা**

ইনাক্তা লৈরগতা
নোকচরম্বী নঙনি
থম্মোয় অনী তিন্ননা
ৱাখল অনী মান্ননা
নুংশি ৱারী শানরগতা
নুজাই থম্মোয়না পেঞ্জরম্বী
ঙসিদি করি নীংবা থুংদদুনা
ঐগী ইনাকতৈ লাপ্পা লোৎখিবনো?
ৱাহৈ অমতা হায়রমদনা
হোইনি মাইনি তাক্লমদনা
ইনাকতৈ করিগী লাপখিবনো?
কোকিলগী নুংশিবা খোঞ্জেলনা
পোথাহনবা ঙল্লক্তে ঐগী পূক্লিং
তাম্নাগী নুংশিবা শৈহেক্লো
ঈংহনবা ঙল্লক্তে ঐগী ৱাখল
নঙনা তামখ্রগা নঙনা লাপখ্রগা
ঐগী মীৎয়েংগী ৱাংমদা
ফাথবা ঙমদ্রবা ৱাখলনা
তেমশিংনরকই হিংবগী মমল
কনাসু উরক্তে কনাসু কিরক্তে
উরিবা খুদিংসু মমল লৈরক্তে
থাজবগী কল্লবা যূম্বীনি নঙদি
নুংশিবগী পাক্লবা ইপাকনি নঙদি।
নঙ লৈরম্বনা ঐগী পুন্সিগী
থাজবগী চাং ৱাংহল্লি
নঙবু নুংশিরুবনা
মালেমদা লৈরিবা খুদিংমক
পুনশিনহল্লি কল্লবা নুংশিগী থৌরিনা।

---

মতম মতমগী ৱাখল

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(৭)

## ইমালোন মৈতৈ লোন, চীংমী তম্মীগী ফাওনবা লোন

'নাৎ' হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা মীপূম খূদিংমক য়াম্না হায়নরে। হায়দবা নৈনদবা য়াদ্রি। নাৎকী মরমদা ৱা ঙাঙদবা, খন্ন-নৈনদবা য়াদবা,তমদবা য়াদবা য়াম্না লৈবা হেনগৎলকই। নাৎ খঙবসি হৌজিক্তনা হেন মরুসু ওইরকই। নাৎ হায়বসি মীগী মরোল ইংরাজিদা হায়বা তারগদি-'কলচর' হায়বদু ওইনা হৌজিক হায়নরি। কলচর তৌবা হায়বসি নাৎকা মরী লৈনবা থবক তৌজবশিংনি হায়নসু লৌনৈ। ইংরাজিদা 'কলচর' হায়সি customs, and social behaviour of a particular people or society হায়রি। অতৈ ৱাহন কয়াসু লৈরি। ঐখোয়না 'নাৎ' হায়না খরা শম্না ৱাহন পীনরিবসিগা ডিক্সনরিদা হায়রল্লিবসিগা য়েংনরুবদা খরদি নকশিন্নরে। কনাগুম্বনা এগ্রিকলচর, সেরিকলচর, হোর্টিকলচর, পিছি কলচর লৈরিবসিনা অমুক করম তৌবা হায়না ঙাঙনখিবসু লৈখি। হায়রিবশিং অসিসু মখোয় মখোয়গী হীরমশিং অদুদা মখোয়গী ওইবা নাৎ অদুম লোইনজবা ঙাক্তনি।

চাউখৎপদা খম থেংখিবদগী মশাগী হৌরকফম, ঙাঙনরম্বা লোল, কাউথোক্লখিবা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদসু মশীং য়ামখৎলকই। অমেরিকা মশাগী নাৎ মাঙশিনখ্রবা লৈবাক ওইরি। মখোয়না ঙাঙনবা লোল অসি ঐখোয় স্বাইগী মীওইশিংনা পাম্না ঙাঙনরি। ইংরাজি ঙাঙবদা লাইরিক হৈবা ওইনা অমুক লৌনৈ। জপান,চিনা, ফ্রান্স, জর্ম্মণী, ইয়ু এস এস আর লৈবাকশিংদনা অমুক ইংরাজি ঙাঙলুবদা চাউখৎপনি হায়না লৌনদে। মালেমদা খ্বাইদগী চাউখৎপা,অরেম্বা লোলনি হায়না লৌনবসি ফ্রাঞ্চনি, জর্ম্মণনি, স্পেনিস লোলশিংনি হায়নৈ। ঐগী ইরন্নাই ৱাখলদদি ইশা ইশাগী ঙাঙনরিবা মাগী মাগী মমালোন ওইরিবা রিজ নেল লেঙ্গুয়েজশিং অদুনা পূম্নমক্তগী মরুনি হায়জনিংঙি। মশীং য়াম্বা মীওইবা কাঙলুপ অমনা ঙাঙনবা লোল অদুনা অহেনবনি হায়বসি খূৎকন পাঙ্গনবগী ৱারীনি। ইশাগী ইরোলদগী হেনবসিবু কদায়দা লৈরমগদগে ? লোলগীদমক মালেমগী মফম অয়াম্বদা খৎন-চৈনবা মীশি মীনা থোকপা কয়া লৈখ্রে। লোলগীদমক লালহৌখিবা, থৱায় থাখিবা মীওই চা কয়াগী ৱারী ঙসিফাওবা লীনরি।

মতম অমা খূৎকন পাঙ্গনবদা তৌগেদা ঙম্বদা লম্বা লৈত্রবনি লৌনরম্বা জর্ম্মণীনা ফ্রান্স লৌশিল্লকখিবা মতমদা, ফ্রান্স লৈবাক্তা ঙাঙনরিবা লোল তোক্লগা জর্ম্মণ লোন ওইনা ফ্রান্স লৈবাক্কী মীপূম খূদিংনা ঙাঙদবা য়াদে, মহৈশঙশিংদা ফ্রান্স লোলগী মহুৎতা জর্ম্মণ লোন খক্তমক তমদবা য়াদে হায়বা অকনবা ৱাফম লৈখি। জর্ম্মণীগী মখুৎতা মায়থিরবা ফ্রান্সগী মহৈশঙ অমদা ফ্রাঞ্চকী লোল লাইরীক তাকপীবা অচম্বা ওঝা M.Hemal কৌবা অমনা মমিৎতা মপি তানা অরোয়বা ফ্রাঞ্চ লোলদা পারা তাকচখি। অরোয়বা পারা তাকপা নুমিৎতা, তুকথরবা ওঝাগী হকচাং অদুনা ব্লেকবোর্দতা য়াম্না ৱানা, নুংশিনা মখুৎনা ইরমখি- 'ভিভ লা ফ্রান্স' ( Vive la france) ফ্রান্স মতম শাংনা অফবা লম্বীদা অমুক হন্না লাকপা ওইরকখিসনু। মীওইবা কাঙলুপ অমগী লোলগীদমক থম্মোয় শোক্লবা পারা অসি ইংরাজিদা M.Hemal না " The Last Lesson" হায়দুনা ইরমখি। পারা অসি ঐখোয়না হায়স্কুলগী মতমদা তমলকখি।

ঙল্লিঙৈদগী মৈতৈলোন হায়নরকই, মৈতৈলোন তম্বা হায়দুনা তম্নরকই। ঙসিদি 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈসি কাঙলুপ নাই হায়দুনা 'মণিপুরী লোল' হায়রগা খঙনরি। মনিপুরী লোল হায়না খঙনবগী ৱানি ঙাঙনরিবা লোল অসি মৈতৈলোলনি। লৈমিন্নবা, পূন্না হিংমিন্নবা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবা হায়বনি। অফবনি,লৈপাক মচা তাবগী ৱাখল্লোননি। লমদমসিদা লাইরিক তম্বা হায়দুনা মহৈশঙ হাংদোক্লগা তম্বা কুইদ্রি। লাইরিক তম্বা মাংঙি হায়দুনা তমনরমদবা লমদম্নি। লাইরিক তমদ্রবসু মহৈদি তম্নরকই, লাইসু ,থক্সি খাসি, হৌন লোনচৎ, থৌগল্লোন তম্নরকই। খ্বাইদগী অৱাংবদি মহৈ তম্বসিনি হায়না লৌনরকখি। অহল লমনশিংনা ফম্মেল ফম্লগা তাকলক্লিবা পারা, মহৈশিং অদু অরায়বা অমত্তা নত্তে। মহৈ তম্বদা লাইরিক লাইসু য়াওরে। মসিদা ঐখোয় চাউখৎতে হায়বা য়ারোই।

থেংথরকপদা, অইবা কবি খ্বাইরাকপম চাউবনা ইমা লোনগীদমক ৱাজখিবা নুংশিজখিবা হোৎনখিবসি মতাং অসিদা পন্দবা ঙমদে। খ্বাইরাকপম চাউবনা মৈতৈলোনগীদমক চাউখৎনবা করি হোৎনরম্বগে হায়বসি মতম অমদি য়াম্না পন্নখি, নৈনখি। খ্বাইরাকপম চাউববু ঐখোয়না মমালোনগীদমক শৈথাজবা অইবনি হায়না শীংথাদুনা লাকখি। মহাক্না হায়, লাইরবী ইমানি মৈতৈ কবি লাকখিনি। "হৈদুনা লৈরবা ইরোলবু অমুক নৌহৌনা তম্লুবগী করি কান্নফম লৈবগে ? .. মৈতৈলোন তম্লগা করম্বা মতমগী মতীক চাবা ৱাখল লৌশিং থোকফম লৈবগে ? " খ্বাইরাকপম চাউবনা য়াম্না পেঞ্জখিদবা ৱাহৈসি ঐখোয়গী ইরক্তা কনাগুম্বনা হায়নরিবা অমদি হায়খিবা ৱাফম অসিনি। মসিগী পাউখুম ওইনা মহাক্না হায়খি- 'থৱায় পানবা ওইনা পোক্লগা মাগী পোক্লফম লমদম, মমালোনবু নুংশিদ্রবদি, ঙাঙনিংদ্রবদি মহাক অদু ওন্থোকপা মী অমনি।' খ্বাইরাকপম চাউবনা ইমালোনগী মতাংদা হায়বীরম্বা থম্বীরম্বসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। থবক ওইনসু য়াম্না পাঙথোকলমখিবা অইবনি। খোরিরোল চাউখৎপদা লোল য়াওই অদুনা খোরিরোলনা পাম্বে ওইনা শীজিন্নরগা ইমালোন মৈতৈলোনবু অৱাংবা থাক্তা থম্বীরমখিবা শক্লাইখিবা অইবনি।

ঐখোয়গী শক্তম নাৎকী মশক্তা, ঐখোয়না ঙাঙনরিবা ইমারোলনা লৌরিবা থৌদাং অসি লোলগী মরমদা নৈনরিবশিংনা হেন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। লোল অমনা চাউখৎলকপদা লোল অদুবু ঙাঙনরিবা মীওইবা কাঙলুপ অদু য়াওরি। মতাং অসিদা ৱারী মফেল অমা পুশিঞ্জনীংঙি। ঙসি মোবাইল ইলেকট্রোনিক্সকী খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদা শীজিন্নরিবা পাস ৱার্দ, অরোন অথুপকী শোজৈ অসিগুম্বা অসিদি ঐখোয়গী ওইনদি ঙন্না লৈরকখ্রে। ঙসি চাউখৎলবা লৈপাকশিংনা পাস ৱার্দ থমদুনা শীজিন্নবদি ঙরাং নহান্তনি। ঐখোয়গীদি-ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লীনরিবা কৈবু কৈওইবগী ৱারীদা মবুং তরেৎনা মচন নুপী থবাতোন্দা থোং হাংদোক্লবা লোন্না খঙনবা, অরোন অথুপকী শোজৈ ওইনা শিন্নরম্বা "সনাও নরিলও ..ইবুং তরেৎ লাকএ থোং হাংঙো হায়বসি কুইরবা চিনবুংদা লীনরকপা ৱারীনি। ঐখোয়গী মতম কুইনগী মমাংদা লৈরক্লবা পাস ৱার্দ অমনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। মসিদবু ঐখোয় চাউখৎতে হায়বা য়ারিব্রা ? ঙসি লাইরিক হৈরবা মতম অসিদা ঙল্লিঙৈদগী লৈরক্লবা অসিগুম্বা মখলগী পাস ৱার্দ অমতা মীয়াম খঙনা চৎনহনবা পুথোকখিবা লৈত্রি। ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা হোৎনবীরম্বনা য়াম্না হেল্লি হায়বসি ঐখোয় য়াফম থোকই।

ঐখোয়গী মাঙলমচৎকী মীরোলশিং অহল লমনশিংনা অরীবা অনৌবা লোন কয়া ঙাঙনদুনা শীজিন্নরম্মী। লৈরল্লিবা য়েক সল্লাইশিংগী তোংঙানবা লোনশিংবু অমগা অমগা খঙননবা মওংদা অনী তূনা পূন্না হায়রগা খঙনবা লোনশিংসু শেমদুনা ঙাঙনরম্মী। খুদম ওইনা- মালয়া নুংশিৎ নামিবা, লাইজা ঈশিং,খান্বী মৈ ,অঙাং নৱা, চোইনৌ সনা অসিনচিংবা। হৌজিক অরীবা লোন ঙাঙনখিদ্রে। ঙাঙনবদি লায়রদনা অরীবা লোলদা ইবা লাইরিক লাইশু পাবদা লৌশিনবা ঙমদবা কয়ানি। কংলৈদা মৈতৈ নিংথৌবু মৈদিংঙু হায়রি। মোইরাংদা ঙাঙোই নিংথৌ, কেগে নিংথৌ অসুম্না মাগী মাগী লোল মিঙ্গৌ লৈনরি। অঙোম সল্লাইগী চনু নিংঙোলশিংবু নুংবাল্লোন হায়রগা খঙনরকই। অসুম্না ৱাঙমলোন হায়রগা খঙনবা কয়া কয়া লৈরকই। মৈতৈলোনগী ফজবা অথোৎপা অমেঙবা কয়া অমা ঙসি ঙাঙনখিদবনা কাওনরক্লি।

হৌজিক খ্বাইদগী নুংনাঙলিবদি ইম্ফালগী ময়োন্দা লমদমসিগী মীনি হায়না ইলেক্টোরেল রোলদা মিং চন্দুনা য়াওরবা মীতোপকী মশীং য়ামখৎলক্লি। ইম্ফাল ময়োন্দা মৈতৈলোন ঙাঙবা তারকত্রে। মৈতৈলোন খঙদবা মৈতৈলোন ঙাঙদবা মীতোপ মশীং কয়া ঐখোয়না পাউনা কৈথেল, থঙ্গাল কৈথেল, হট্টা মিনুথোং, বাবুপারা, খ্বাই নগামপাল লম্ফেলদা উবা হেনগৎলকই। মখোয়গী দুকান মশীং য়ূমশাদুনা খুন্দাবা হেনগৎলক্লি। তম্পাক্কী অকোয়বা চীংশিংদা ইমালোন খঙদবা, ঙাঙদবা মীতোপ্পা খুন্দাররিবা কয়ানা লাঙ্গৌই চনশিনলক্লিবসি ঙসিদগী চহী তারাগী মতুংদা লমদমসিগী লোন অমদি য়েলহৌমীশিংগী ফিভম করিদা ওইরক্কদগে খনবদা তু চূংবা পোক্লি। য়েলহৌমীনা লৈত্রবদা নাৎকী মশক উবা ফংলরোই। সনরেন্বী ইমাদি চরম য়ৌরে হায়বদু থোক্লরে। মনিংথোংদি লাওনা হাংলগা ঐখোয়না নাৎ কল্লি, লোনগী নুমিৎ থৌরম পাংথোক্লিবনি হায়না চেল্লি লাওরিবসিবু কৈবু কৈওইবা ননিং নমাং হোত্রোং হো তাগদৌরিমালে। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

---

ৱারী ককনাউ

# শ্রী য়ূম্নাম তোম্বা

"চহী কয়ানো অসুক ৱানা ইমুং পুমিন্নরক্লিসে। সি করিগী মানা খঙদ্রিনো? ঐসিবু মহাক্না নহানখৈ করি ওইনা খনবীরম্বগে? সিগী খল্লুবদা ঐনে ঐ থৱায়সি য়াম্না পেল্লক্ত্রে" হিক হিক লাউনা কপ্লগা ৱাদু মতৎ-মতৎ ওইনা য়াম্না পেন্দনা য়ূম্নাম তোম্বগী লোয়নবী শখিতোম্বীনা ইনে লাইবীদা ৱাকৎলি।

"চুম্মী, চুম্মী, মা ৱাখল খরা খন্থবা ৱাৎলি। অদুবু হৌজিক্তি কৈদৌরুনি, মানা নঙবু মীরাইবমক্তি ওইরমগনি হায়বদি থাজদে। ঐ মাগা ৱারী অমুক্তা শানদুনা য়েংখিগে, নঙগী অশাওবদো অমুক্তা ফাথখো" ইনে লাইবীনা শখিতোম্বীবু থেমজিল্লি।

"ইনে ঐ শাউদে, কৈদৌবৈ শাউদুইনো? ঐবু পামদ্রে, ঐবু নুংশিদ্রে হায়দুনা অতোপ্পা নুপী অমা পুশিল্লক্লগা ঐনা করিগী শাউদুইনো? অদুবু ঐনা খিতং পেন্দবা হায়রগদি, মাগী মবুকচেল অদুনি। চুম্মী, ইনে, ঐ ইচা..." শখিতোম্বীদু ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে, হান্নদগী হেন্না হিক-হিক লাউরকই। পেন্না মীকুপ খরা কপথোক্লে, অদুগা মখা তারকই। "ঐ ইচা পোক্তে, মা মচা পাল্লমগনি। ইনে সিবু ঐনরা, ইনে, মসি ঐগী ইরাইবকনি। ঐগী ইরাইবকসে থীদ্রা? থীরবা ইরাইবকসিদা তাইনবা নত্তনা ঐ কনাদা তাইনরুনি" শখিতোম্বী হন্দক্তি ৱা ঙাঙবা শুংথোক থোক্ত্রে। য়াম্না কপ্পি, পেন্নবা কপ্পি।

ইনে লাইবীনা শখিবু কোনশিন্দুনা থেম্বা য়াবা থেম্মে।

"সে কপকনুসে, কপ্পদি ৱাখল অমত্তা থোক্লরোই, হৌজিক কৈদৌসিগে হায়দু খন্নসি সে..."

"ইনে কৈসু খন্ননীংঙাই লৈত্রে, ইনে (মখোল হৌনা খংকপ কপ্লগা) ঐ য়ূমদা হল্লগে, ঐ মাগী মনাকসিদা লৈররোই। মানসু ঐবু উরগা পেল্লরোই। ইনে, ঙরাংদনি মানা ঙা অতাওবা থোংবা চানীংই হায়দুনা ঐনা ঙা তাওবদা থাও চোংখিদুনা খূৎসি পোকপদগী ঈশিং হাল্লিবসে, য়েংঙুনে ইনে...." মাগী পাম্বোম ময়াদা থাও চোংবগী ঈশিং চাউনা হাল্লিবদু উহল্লি।

"হোয়নে সিদি ওন্থোক্লা থীনা ঈশিং হাল্লেদা, নঙবু মোলোমগা অমত্তা তৈহৌদ্রবরা?"

"তৈদে, তৈররোই, হাল্লসনু, শিবা য়ানা পোক্লসনু। মা পেল্লসনু। মাগী মবুকচেলদা অসুম্না অরোনবা অমা লৈরমগনি হায়বসি অপংবী ঐনা থাজরুদে, অদুগদি মাদি মবুক য়াম্না শেংলমদ্রে। ঐনা মাগী পেন্নবা তৌজবসে মা য়াম্না পেল্লমদ্রে। ইনে, ঐনা মাগী মফি মরোলসু শূদুনা ইষ্ট্রি তক-তক্তুনা মশা নান্না চৎহনবসে নুপী কোয়রুচো হায়না ঐনা চৎহনবগা চপ মান্নখ্রে। হৌজিক্তি মা নুপী অমা পুরক্লে, ঐনা য়ূমসিদা কৈদৌরুনি। ঐবু মমাঙ শঙ্গোয়সিদা ফক্লোং খারগা লৈগদ্রনে ইনে? মখোয়না নোক খেদুনা লৈবদু ঐবু তাদুনা লৈয়ু হায়ব্রনে ইনে? ঐবু খাম্বীরনু ঐ চৎলগে" ফুক হৌগৎলগা শখিতোম্বীদু মাগী মফি মরোল হোংখ্রে। ইনে লাইবীদু পাম্বে লৈতে। মাগী মতৌদু তিঙক তিঙক য়েংদুনা খামসি খাঙমদা লৈরি।

"কমদৌনি তৌরিসিদি? ঐখোয় তোম্বসিসু ৱাখল খন্থমন্দবা হায়দুনি?" ফনা য়াম্না খাম্মী অদুবু মথৱায় চাক্লবী সখিতোম্বী য়াখিদ্রে, মনেগী মখূৎ কনথৎতুনা কপ্পা কপ্পা য়ূমদগী চেন্থোকখ্রে।

শখিতোম্বী মপামদা হনখ্রে। য়ূম্নাম তোম্বসু অনৌবী নুপীদুগা লৈমিন্নখ্রে। থা অমা ওল্লকপা অদুদা নোংমা অয়ূক অমা ইনে লাইবীদু য়ূম্নাম তোম্বগী য়ূমদা হাথু-হাথু চেনশিল্লকই।

"তোম্বা তোম্বা... তোম্বা। হে নঙবু কায়দা লৈগেনে?" তোম্বদু খুদৈ হঙ্গাম্পাল অমা ইশুপ শুপখৈ শেৎলগা হকাম লাউনা চন্দুনা মমিৎ নোই নোইদুনা ইমুংদগী থোরকই।

"য়াহৌ থেংখ্রেদা তোম্বা, নশাদু ফররোইনে, য়াহৌ ঙল্লুনে"

"কৈদৌরে ইনে"

"হে পাউ অমা লৈরেনে"

"করি পাউনো ইনে"

"ঐ হৌজিক্তা ডাক্তর চাউবগীদগী হল্লকপদা ঙাইরি। শখিতোম্বীদু ডাক্তরদা য়েংদুনা লৈরম্মী। ঐনা হেক চঙখিবগা মা য়েংবা লোইরগা থোরকপদা থোঙ্গালদা থেংনৈ"

"মাবু কৈদৌরগে ইনে? য়াম্না কন্না নারব্রা?"

"নাবা নত্তেনে, তোম্বা মাদো..."

"কৈদৌরবা?"

"ডাক্তরনা নীংথিজনা য়েংলে হায়, থা লেপ্পে হায়নে"

"ইহ! অশেংবরনে ইনে"

"অশেংবনিনে, হৌজিক কমদৌসেবা, মাবু কৌশিনবীরগা নীংথিনা লৈমিন্নবনা ফৎত্রনে তোম্বা, নঙ অমুক্তা মুন্না খল্লু, সিগী ফীভমসিদা মাবু নঙনা হন্না য়েংদবা হায়বসে য়াম্না চুল্লোই, খল্লু-খল্লু"

য়ূম্নাম তোম্বদু মাঙ্গোলগী চুরি তাফমদা মখোঙ ঙেক লাওনা য়ান্থরগা ফমথরকই। তাঞ্জাসিদা মৌ অনৌবী থোইদিংনমদু চা গ্লাস অনী পুথোরক্তুনা থোরকই। থোঙজিন মপা হেক য়ৌবদা য়ূম্নাম তোম্বনা হায়রকই।

"ইস মাসু খরা থেংমল্লিদনা, নহানখৈদি কৈদৌ লৈগে, হৌজিকপু ঐবু..."

মৌ অনৌবীদুসু তূমিন লেপ্পগা ৱাদু তারি, মাসু কৈনো হায়নরিসিবু হায়না খল্লমগনি। ইনে লাইবীনা চৈবোই করিবোই মখা তারকই।

"হে অপঙ! মসি নঙনা থোকহনবা ঙাক্তনি। নীংথিনা ডাক্তর য়েংথোক্লগা ফজনা তানরম্মদি কৈসু তৌরোইদবনি। ঙন্না পোকপা, থেংনা পোকপা হায়বসু লৈবনি। য়ূম পানবা কুইরে হায়দুনা হেক্তা পোক্লোইদবসু নত্তে। চহী তরা মনুংদা মচা কোকথোং অমা পোকপসু লৈরিবনি। হৌজিক মহাক্না মীরোল্লিবসে, মাগী মতম হায়দু শুরক্তুনা তৌরিবনি। মাবু কৌশিল্লু ঙসিমক"

খঙহৌদনা গ্লাস লৈমায়দা তাদুনা কায়বগী মখোল অমা তারকই। ইনে লাইবী অমদি য়ূম্নাম তোম্বা হন্না য়েংথোরকপদা মৌ অনৌবীদু থোঙজিন মপান্দা চপ য়ুংনা তূমিন লেপ্তুনা লৈরম্মী। য়ূম্নাম তোম্বা লৱাই শম চপ-চপ য়ুংখি। ইথক থক্কৎলবা য়ূম্নাম তোম্বনা ইপা পাখত্তনা ফুক হৌগৎলগা হংজৈ।

"থোইদিংনম কৈদৌরে?"

থোইদিংনাম খুমদে, মমিৎতু কাইদনোমা য়ুংনা য়েংলি। ইনে লাইবীসু চঙশিল্লকই অদুগা মরেংজুমদা পায়বীরগা থেমজিনবোই করিবোই তপ্পা হায়রকই।

"থোইদিংনম, ৱাসে নঙসু তারবা খঙলবা নৎত্রা? নোই অনী মুন্না অমুক্তা খন্নৌ, অদুগা নোইনা ৱারেপ অমা হেক লৌবদা কাউরোইদবদি - নোই কনা অমত্তা কায়নবা অমদি শাওনবদি য়াদেকো। ইনে হোরেন লাক্কে। খন্নরম্মু"। ইনে লাইবী চৎখ্রে। য়ূম্নাম তোম্বা চঙশিল্লক্লগা, লৈমায়দা তারিবা চা হৈদোক্লবা গ্লাস অদু খুনগৎলগা মমায় লুকথদুনা হায়রকই।

"থোইদিংনম, ঐসু মঙগুম্মে তৌরিসে, নঙসু নুংঙাইরম্মরোই, অদুবু কৌশিনবীরুরসি" থোইদিংনমসু তপ্পা ফমথরকই।

"কৌবীরুরো, অদো, ঐবু য়ূমদা খরা থাদবীরম্মু"

"কৈনো নঙনা অমুক তৌখৎলক্লিসিনা?"

"ঐ খল্লে"

"খল্লিদু ফল লাল্লি। ফজনা লৈমিন্নরসি"

"লোক অনীদা কৈ অনী কুনবা হায়দু থোক্লনি, নকোক শানি"

"নঙদা কৈ ওনগনু, মাসু অতেবা কৈ ওইনা মাইনা লৈজনি" হায়রম্মগা শ্রী য়ূম্নাম তোম্বা ইমুং চঙখি।

**-নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।